# সিরিয়াগী লাল : এয়রষ্ট্রাইকশিং অমসুং সেল কাপ্পদা অঙাং য়াওনা মীওই ২০ শিখ্রে



বৈরুট, ওক্টোবর ১২ :
য়ুমশকৈশা নুমিৎতা সিরিয়াগী নোদর্ন সিটি অলেপ্পোগী রেবেলশিংনা পায়শিল্লিবা শরুকশিংদা এয়রষ্ট্রাইকশিং চথুবদা য়ামদ্রবদা মীওই ১৪ শিখ্রে অমসুং সাউদর্ন সিরিয়াগী গভর্ণমেন্টনা কন্ট্রোল তৌবা নৈবরহুদ অমদা রেবেলশিংনা সেল কয়া কাপশিনবদা অঙাং য়াওনা য়ামদ্রবদা মীওই তরুক শিখ্রে হায়না ওপোজিসন এক্টিবিষ্টশিং অমসুং ষ্টেট মিদিয়ানা ফোঙদোক্লি।

সিরিয়াগী ওফিসল ন্যুজ এজেন্সি সানানা কেপিটেল দামাসকসকী নৈবরহুদ খরদা য়াম্না তাংনা থোকপা থৌদোক ওইনা সেল কয়া কাপশিল্লকখি হায়রি। সিটি অদুগী চিদাইদা বেজ তৌবা ওপোজিসন গ্রুপশিংনা মোর্টার সেলশিং কাপশিল্লকপদা মী কুংনা লৈনবা কাসা দিষ্ট্রিক্টতা তাশিনখি। সেল খরদি উমায়াদ মোস্ককী মনাক্তা তাশিনখি অমসুং মী কয়া মশিং খঙদনা শোকখি।

রসিয়া অমসুং য়ু এসনা ৱাতেম্বা সিজফায় কায়খিবা মতুং হন্দক চয়োল খরা অসিদা লৈবাক অদুগী ফ্রন্ট কয়াদা লাল কনখৎলকখ্রে।

সিরিয়াগী খ্বাইদগী চাউবা অমসুং হান্নগী কম্মর্সিয়েল সেন্টর ওইরিবা নোদর্ন সিটি অলেপ্পোদা প্রো-গভর্ণমেন্ট ফোর্সশিংনা সিটি অদুগী লান্মীনা লাঙ্গৌই চল্লবা ওপোজিসন্না পায়শিল্লিবা শরুকশিংগী মফম খরা খুদুম চন্নবা হোৎনখিবগা লোয়ননা লাল কনখৎখি।

রেবেলশিংনা পায়শিন্দুনা লৈবা ইষ্টর্ন অলেপ্পোগী বুষ্টন অল-কাশর নৈবরহুদতা চথখিবা এটেক অমদা বঙ্কর থুগাইনবগী বামশিং শিজিন্নখি হায়না এক্টিভিষ্টশিংনা ওপরেট তৌবা অলেপ্পো টুদে টিভি ষ্টেসন অমসুং কাসিয়ন ন্যুজ এজেন্সিনা হায়রি। অতৈ এক্টিভিষ্ট গ্রুপশিং অমসুং অলেপ্পো লোকেল কাউন্সিলগী মেম্বর অমা ওইরিবা জকারিয়া অমিনোনা হায়খি, রেস্ক্যু ৱার্করশিংনা অকায়-অতোয় মরক্তা মীশিং থিবগী থবক চথুরি। রেবেলশিংনা পায়শিল্লিবা অতৈ নৈবরহুদশিংদসু বোম কয়া তাশিনখি হায়না অমিনোনা ফোঙদোকখি।


সুপ্নগী চয়োল অমা লৈরগা ক্রস কায়খিবদগী হৌখিবা থাদা অলেপ্পোগী ওপোজিসন্না পায়শিল্লিবা শরুকশিংদা অকনবা এরিয়েল কেম্পেইন চথুখি। সিরিয়াগী প্রো-গভর্ণমেন্ট ফোর্সশিংনা সিটি অদুগী অৱাং নোংপোক অমসুং খা রোমদা তপ্না চঙশিনদুনা রেবেলশিংনা পায়শিল্লিবা দিষ্ট্রিক্টশিংদা গ্রাউন্দ ওফেন্সিভ অমা চথুরি।

বৃটেনদা বেজ তৌবা সিরিয়ন ওবজার্ভেটৈরি ফোর হ্যুমেন রাইট্‌সনা হায়খি অলেপ্পোদা চথুখিবা এয়রষ্ট্রাইকশিংদা য়ামদ্রবদা মীওই ১৬ শিখ্রে। লোকেল কোওর্দিনেসন কম্মিটিনদি মীওই ১৪ শিখ্রে হায়না ফোঙদোকখি।

কুমজা ২০১১ গী মার্চতা এন্টি-গভর্ণমেন্ট প্রোটেষ্টশিংগা লোয়ননা কনফ্লিক্ট অদু হৌখিবা সাউদর্ন সিটি দারাদা রেবেলশিংনা গভর্ণমেন্টনা পায়শিল্লিবা এরিয়াশিংদা রোকেটশিং কাপশিনখি। রোকেট অমদি প্রাইমারি স্কুল অমদা হিট তৌখি অমসুং অঙাং মঙা য়াওনা মীওই ৬ শিখি অমসুং মহৈরোয় ১৮ শোকখি হায়না ষ্টেটনা রন তৌবা ন্যুজ এজেন্সি সানানা ফোঙদোকখি। অশোকপা খরদি অরুবা ফীভমদা লৈরি হায়না সানানা মখা তাখি।

সানানা নুপামচা অমা ষ্ট্রেটচর অমদা পুবগী ফোটো থাগৎখি। অঙাং অদুগী অৱাউবা মচুগী খোঙ্গ্রাউদা ঈ তৈথি অমসুং দেবেন্দজ য়েৎপা মখুৎ য়েৎতু থজিন মপাদা থমখি। অতোপ্পা ফোটো অমদনা নুপামচা অমগা নুপীমচা অমগা হোস্পিটাল অমদা দ্রিপ কাপ্পগা লৈবা উখি।

# বিসোপশিংনা শিবগী চৈরাক মুথৎনবা আপিল তৌখ্রে



ওষ্টিন, টেক্সাস, ওক্টোবর ১২ :
টেক্সাসকী কেঠলিক বিসোপ-শিংনা নিংথৌকাবা নুমিৎতা শিবগী চৈরাক মুথৎনবা আপিল তৌখ্রে। মখোয়না চৈরাক মখল অসিনা ভিক্টিমশিং অমসুং অতৈদা খুদক্তা শোকহনবদা নত্তনা সোসাইটিদসু শোকহল্লি হায়খি।

'কেপিটেল পনিসমেন্টনা ঐখোয়গী থম্মোয়গী থৌজাল অমসুং নুংশিবগী কেপাসিটিদা শোকহল্লি' হায়না ওষ্টিনদা টেক্সাস কেঠলিক কনফরেন্সনা রিলিজ তৌখিবা ষ্টেটমেন্ট অমদা বিসোপশিংনা হায়খি। ' শিবগী চৈরাক পীবা হায়বসি পুম্নমক্কী ওইনা ফবা হীরম অমত্তগা চানদবদা নত্তনা অসিগুম্বা অফবা ৱাখল্লোন্দা চাউনা অকায়বা পী।

শিবগী চৈরাক্কী মায়োক্তা লৈবা মালেমগী নুমিৎকা মরী লৈননা রিলিজ তৌখিবা ষ্টেটমেন্ট অদু টেক্সানশিং য়াওনা অমেরিকানশিংগী মরক্তা শিবগী চৈরাক শৌগৎপগী চাং হন্থরক্লিঙৈগা চানখি।

প্যু রিছার্চ সেন্টরনা সেপ্টেম্বর ২৯ দা রিলিজ তৌখিবা সর্ভে রিজল্টশিং অদুনা অমেরিকানশিংনা শিবগী চৈরাক শৌগৎপগী চাং চহী ৪০ হেনবগী মনুংদা খ্বাইদগী হন্থরে হায়বা উৎখি। হৌজিক অমেরিকান চাদা ২৯ খক্তনা মী হাৎপগী কনভিক্ট তৌরবা মীওই অমবু শিবগী চৈরাক পীবা পামই হায়না সর্ভে অদুনা ফোঙদোকখি। মদু কুমজা ২০১৫ গী মার্চতা চাদা ৫৬ ওইখিবদুদগী হন্থরক্লি বনি। অনৌবা সর্ভেনা অমেরিকান চাদা ৪২ না হৌজিক শিবগী চৈরাক্কী মায়োক্তা লৈ হায়বা উৎলি হায়রি।

# ২০১৫ গী পেরিস এটেক্কী মরু ওইবা সস্পেক্ট উকিলশিংনা দিফেন্দ তৌররোই



পেরিস, ওক্টোবর ১২ :
পেরিসকী এটেকশিংদা মরু ওইনা চেন্নবা মীশক্লি হায়না চিংনরিবা সালাহ অবাদেসলামগী উকিলশিংনা হায়খ্রে মদুদি, মখোয়না মহাকপু মখা তানা দিফেন্দ তৌররোই। য়ুমশকৈশা নুমিৎতা টিভিগী ইন্টরভিয়ু অমদা মখোয়না ৱাফমসি ফোঙদোকখিবনি।

'ঐখোয় অনীমক্না মহাকপু দিফেন্দ তৌবা তোক্লবা ৱারেপ লৌরে' হায়না উকিল ফ্রেঙ্ক বর্টন্না বি এফ এম টিভিগী ইন্টরভিয়ু অমদা হায়খি। 'মহাক ৱা ঙাঙলক্কনি হায়না ঐখোয়না থাজদে লোয়ননা মহাক্না তুমিন্না লৈবগী রাইট অদু শিজিন্নরক্কনি হায়না ফেলো উকিল সভেন মেরিগা পাঙ-থোকমিন্নবা জোইন্ট ইন্টরভিয়ু অমদা বর্টননা হায়খি।

'অসিগুম্বা ফীভম অসিদা ঐখোয়বু নখোয়না করি তৌহন্নিংবগে। করিগুম্বা ঐখোয়গী ক্লাইঅন্টনা তুমিন্না লৈশিনবা তারবদি ঐখোয়না মহাকপু দিফেন্দ তৌবা তোক্কনি হায়না হেক হৌবদগী ঐখোয়না হায়দুনা লাকখি' হায়না বর্টননা মখা তাখি।

জেলদা সোসিয়েল ভিজিট তৌনিংবগী ৱাখল পোল্লকপা মতমদা ৱারেপ অমা লৌবা য়াগনি হায়না মেরিনা মখা তাখি।

হৌখিবা এপ্রিলদা বেলজিয়মদগী ফ্রান্সতা ট্রান্সফর তৌখিঙৈদগী অবদেসলামনা ৱাহং কয়া পাউখুম পীযু য়াখিদে অমসুং মহাক মহাক্কী জেলগী সেলবু পুং ২৪ কৃপশেন শেন্নদুনা লৈবগী মওংদা খোয়রাং-খোয়শাউরবনি হায়না থাজে।

থা মরি কোয়চেন চেন্দুনা লৈরুরবা মতুংদা অবদেসলাম মার্চ ১৮ দা মোলেনবীকতগী ফাখি। মফম অসি মহাক্না চাউরকখিবা ইস্লামিক এক্সত্রিমিজমগী মকোন ওইবগীদমক মমিং চৎলবা ব্রসেলজগী নৈবরহুদ অমনি।

এপ্রিল ২৭ তা টেররগী চার্জশিং মায়োক্লনবা মহাক ফ্রান্সতা ট্রান্সফর তৌখিবনি। হৌখিবা চহীগী নভেম্বরদা পেরিসকী বারশিং, রেষ্টোরেন্টশিং, কনসর্ট হোল অমা অমসুং নেসনেল ষ্টেদিয়ম অমদা চথুখিবা কোওর্দিনেটেদ এটেকশিং অদুদা অবদেসলামনা চপ চানা করি থৌদাং লৌখিবগে হায়বসি ইনভেষ্টিগেটরশিংনা লেপ্পা ঙমদ্রি।

# রাথিনেদা খুৎ থোক্লবদা মীওই ১২ শিখ্রে : ষ্টেট মিদিয়া



য়াঙ্গোন, ম্যান্মার, ওক্টোবর ১২ :
ঈরাং লৈবা নোর্থ ম্যান্মারগী রাথিনে ষ্টেটতা খুৎলায় পায়বা মীওইশিং অমসুং ক্রুপশিংগী মরক্তা খুৎ থোক্লবদা মীওই ১২ শিখ্রে।

লৈবাকপোকপা নুমিৎতা পিষ্টলশিং অমসুং থাংশাংশিং পায়বা মীওইশিংনা মুস্লিম রোহিংয়ানা খুন্দাবা মাউংদো টাউনসিপকী য়াউংপিটতা ক্রুপশিংদা এটেক তৌবদা লান্মী মরি অমসুং এটেক্কর অমা শিখি। মনাক নকপা টাউং পাইংন্যারদা থোকখিবা খুৎ থোক্লবদা মীওই তরেৎ শিরে হায়না ক্রুপশিংনা ফোঙদোকখি।

থৌদোক অদুগী মতুংদা ক্রুপশিংনা মীওই তরেৎ শিদুনা লৈরম্বা থেংনখি হায়না ষ্টেটনা রন তৌবা ম্যান্মারগী গ্লোবেল ন্যুলাইটনা ফোঙদোকখি। অশিবা হকচাংশিং অদু থাংশাংশিং অমসুং চৈশিং লোয়নরমখি।

বাংলাদেশকা লোন্নবা বোর্দরদগী ইথাপ থাপ্তুনা মিলিটরিনা লমদম অদুদা মী-পোংশিং কোয়শেল শেন্নদুনা লাকখি। মদুগী মমাঙ নোংমাইজিং নুমিৎতা বোর্দর পোষ্ট অহুমদা কোওর্দিনেটেদ এটেকশিং চথুখিবদা পুলিসমেন ৯ হাৎখি।

ঈরাং অদুনা কুমজা ২০১২ গী থৌদোকশিং অমুক হন্না থোক্লকক্রা হায়বগী অকিবা পোকহল্লে হায়রি। চহী অদুদা রাখিনেদা অকনবা মওংদা কাঙলুপকী হাৎন-শুনবগী থৌদোক থোকখি। ঈরাং অদুদা মীওই ১০০ হেন্না শিখি অমসুং রোহিংয়া লিশিং কয়া দিসপ্লেসমেন্ট কেম্পশিংদা লৈখি। ফীভম শোক্লবা কেম্পশিংদুগী মনুং অমসুং মপানদা লৈরিবা রোহিংয়া কাঙলুপকী মীওইশিং চথোক-চৎশিনদা কা হেন্না অথিংবা থম্বগা লোয়ননা তঙাই ফন্দবা সার্ভিসশিং ফংবসু ৱাৎলি। রাইটস গ্রুপশিংনা মখোয়বু মালেমগী খ্বাইদগী তাথি-তাওইনা তৌবা মীওই কাঙলুপশিংগী মনুংদা অমনি হায়না ফোঙদোক্লরি।

বুধিষ্ট গ্রুপশিংনা মখোয়বু ইম্মিগ্রেন্টশিংনি হায়না ফোঙদোকখি। মখোয় কয়া অমা জেনেরেসন কয়াগী মমাঙদা ম্যান্মারদগী হৌখিবা ওইরবসু বুধিষ্ট নেসনেলিষ্টশিংনা মখোয়বু বাংলাদেশতগী লাকপা ইম্মিগ্রেন্টশিংনি হায়খিবনি।

ষ্টেট মিদিয়াগী মতুং ইন্না, লৈবাকপোকপা নুমিৎতা ফাখিবা মীওই মরি য়াওনা বোর্দর এটেকশিংগা মরী লৈনবা পুন্না সস্পেক্ট তরুক ওথোরিটিশিংনা ফাজিন্দুনা থল্লি।

এটেক্করশিং নৎত্রগা মখোয়গী মোটিভশিংগী মরমদা ওথোরিটিশিংনা অকুপ্পা ফোঙদোরকখিদে। ওথোরিটি সেক্সন খরনা রোহিংয়াবু মরাল শীখি অমসুং অতৈ খরনা বাংলাদেশি গ্রুপশিংদা খুৎ থিনখি।

# কাবুলদা মিলিটেন্টশিংনা সিয়াইটকী লাইফমদা এটেক তৌখ্রে, মীওই ২৪ হাৎখ্রে



কাবুল, ওক্টোবর ১২ :
লৈবাকপোকপা নুমিৎকী অথেংবদা গনমেনশিংনা কাবুলদা সিয়াইট পিলগ্রিমশিংদা টার্গেট তৌদুনা এটেক চথুখ্রে অমসুং য়ামদ্রবদা মীওই ১২ হাৎখ্রে। সিয়াইট কেলেন্দরদা খ্বাইদগী মরু ওইবা ফেষ্টিভেলশিংগী মনুংদা অমা ওইরিবা অশুরা পাঙথোক্লবা পুল্লিঙৈদা এটেক অদু চথুখিবনি হায়না ওফিসলশিংনা ফোঙদোকখি।

এটেক অদুদা মীওই ৩৬ শোকখি অমসুং য়ামদ্রবদা এটেক্কর অমা হাৎখ্রে হায়না ইন্টরিয়র মিনিষ্ট্রিগী স্পোক্সমেন সেদিক সেদিক্কিনা ফোঙদোকখি। হৌজিক এটেক অদু লোইরে হায়রি।

মনুংদা গনমেনশিং লৈরিবরা হায়বদু য়েংশিন্নবা কাবুল য়ুনিভর্সিটিগী মনাক্তা লৈবা কার্টে শাখিদা স্পেসল ফোর্সশিংনা ঙাইহাক চঙদুনা য়েংখি লোয়ননা পুলিসনা মীওই কয়া মফম অদুদগী হোন্দোকখি হায়না ওফিসলশিংনা ফোঙদোকখি। হাৎখিবা মীওই ১৪ গী মনুংদা মীওই ১৩ দি মীচমশিং ওইখি অমসুং অমনা পুলিস ওফিসর ওইরম্মী। অশোকপশিংগী মনুংদা পুলিস অহুম য়াওখি হায়না সেদ্দিক্কিনা ফোঙদোকখি।

'এটেক্কর কয়ানা কার্টে সাখি খুভমদা টার্গেট তৌখি হায়ন কাবুল পুলিসকী চীফ অব্দুল রহমন রহিমিনা হায়খি। পুলিসনা খুভম অদুদগী মীওই দজন কয়া শাফগদবা মফমশিংদা হোংদোকখ্রে।

সিভিলিয়ন অমসুং পুলিস কয়া অশোক-অপন নংখ্রে' লোয়ননা এটেক অদুদা গ্রেনেদ অনী পোকখায়খি হায়না পুলিসনা ফোঙদোকখি।

হৌজিক ফাওবা এটেক অদু কনামত্তনা ক্লেম তৌবা লৈত্রি। প্রসিদেন্ট অশ্রাফ ঘানিনা মদুবু মীওইবা কাঙলুপকী মায়োক্তা চথবা ময়েক শেংলবা ক্রাইমনি হায়রদুনা কন্দেম তৌখ্রে। য়ুমশকৈশা নুমিৎতা পাঙথোক্কদবা অশুরা মনুংদা মীয়ামদা সিক্যুরিটি মতীক চানা পীগনি হায়না ঘানিনা থাজবা পীখিবনি। মহাক্না অফঘানিষ্টানগী কাঙলুপ খুদিংমক্তা লৈবাক অদুগী য়েক্লবশিংগী মায়োক্তা খোঙফম চেৎনা লেপ্পনবা আপিল তৌখ্রে।

## ꯊꯕꯛ ꯐꯪꯅꯕꯒꯤ ꯄꯥꯎ/EMPLOYMENT NEWS

GOVERNMENT OF MANIPUR
EMPLOYMENT EXCHANGE, IMPHAL WEST,
EMPLOYMENT EXCHANGE COMPLEX, LAMPHELPAT.

N O T I C E
Imphal, the 11th October, 2016

No. EE/2/57/82: It is hereby notified to all Job-seekers that the following Posts are lying vacant in the Directorate of Prosecution, Government of Manipur. Imphal. Willing eligible candidates who have registered with this Employment Exchange may contact Vacancy Assistant of this office on 18-10- 2016 at Room No 15 (A) during office hour for sponsoring their names. The detail particulars are given below:--

| Sl.No | Name of Department | Name of post | Number of posts. | Qualification Essential. | Pay and Allowances. |
|---|---|---|---|---|---|
| 1. | 2. | 3. | 4 | 5. | 6 |
| 1. | Directorate of Prosecution, Manipur. | LDC | 7(Seven) | Matriculate or its equivalent from a recognized University/ Board. Typing with a minimum speed of 30 words per minute in English relax able up to 25 words per minute in case of SC/ST candidates. Typing may be exempted in respect of PWD. | .Rs.5200-20200 + GP Rs.1900/p.m. |
| 2 | -do- | Peon | (Seven) | HSLC/Equivalent. | Rs.4440-7440+ Grade PayRs.1300/- |

Age - Min. 18 to 38 years as on 18th October, 2016 relax able up to 41 years for OBC category and 43 years for SC/ST.

( NG. IBOTHOI SINGH)

Employment Officer, Imphal west.



HL-B/3329/20/09-19/10

## ꯊꯕꯛ ꯐꯪꯅꯕꯒꯤ ꯄꯥꯎ/EMPLOYMENT NEWS

### The New India Assurance Company Limited – NIACL Recruitment 2016 – 300 Administrative Officers Vacancies – Last Date 01 November

**NIACL Recruitment 2016**

The New India Assurance Co. Limited invites Application for the post of 300 Administrative Officers . Apply Online before 01 November 2016.

**Job Details :**

Post Name : Administrative Officers (Scale -I) (Generalists)
No of Vacancy : 300 Posts
Pay Scale : Rs. 32795-62315/-

**Eligible Criteria :**

Educational Qualification : Graduate/post graduate in any discipline from a recognised University or any equivalent qualification recognized as such by Central Government with at least 60% marks in either of the degree examination for General candidates and at least 55% marks for SC/ST/PWD candidates.
Nationality : Indian
Age Limit : 21 to 30 years (as on 01.10.2016)

**Age of Relaxation :**
Scheduled Caste/Scheduled Tribe : 5 years
Other Backward Classes : 3 years
Persons With Disability : 10 years

**Job Location : All India**

**Selection Process :** Selection will be based on Written Test & Interview.

**Application Fee :**
SC/ ST / PWD / Female Candidates : Rs.100/-
All Other Candidates : Rs.600/-

The payment can be made by using Master/ Visa Debit or Credit cards or Internet Banking.

**How to Apply :** Interested Candidates may apply Online through the website http://newindia.co.in/ from 14.10.2016 to 01.11.2016.

**Important Dates to Remember :**
Starting Date For Submission Of Online Application : 14.10.2016
Last Date For Submission Of Online Application : 01.11.2016

**Important Links :**
Detail Advertisement Link : http://www.newindia.co.in/downloads/FINAL%20ENGLISH%20ADVERTISEMENT%2006.10.2016.pdf

**Apply Online :** http://ibps.sifyitest.com/niaraooct16/

### India Post Payments Bank Limited – IPPB Recruitment 2016 – 1060 Manager & Senior Manager Vacancies – Last Date 01 November

**IPPB Recruitment 2016**

India Post Payments Bank Limited (IPPB) invites Application for the post of 1060 Manager & Senior Manager in JMG Scale II and Scale III. Apply Online before 01 November 2016.

**Job Details :**

Post Name : Manager (Area Sales & Area Operations)
No of Vacancy : 600 Posts (Area Sales – 250 Posts & Area Operations – 350 Posts )
Grade Pay : Rs. 31705-45950/-

Post Name : Senior Manager (Branch)
No of Vacancy : 350 Posts
Grade Pay : Rs. 42020-51490/-

**Eligible Criteria for IPPB Recruitment :**
Educational Qualification :
For Manager : Graduate from University/ Institution/ Board recognized by the Government of India (or) approved by a Government Regulatory Body and Minimum experience of 3 years in sales of financial products is mandatory OR Minimum experience of 3 years in working in a CBS environment on banking operations in a Public Sector Bank or Private Bank or Post Office Savings Bank is mandatory.

For Senior Manager (Branch) : Graduate from University/ Institution/ Board recognized by the Government of India (or) approved by a Government Regulatory Body and Minimum experience of 6 years is mandatory.
Nationality : Indian

Age Limit : As on 01.09.2016

For Manager : 23 to 35 years
For Senior Manager (Branch) : 26 to 35 years

**Age Relaxation :**
For Scheduled Caste and Scheduled Tribe : 05 years
For Other Backward Class : 03 years
For Person With Disability : 10 years

**Job Location : All India**

**Selection Process :** Selection will be based on online test and/ or an interview.

**Application Fee :**

For SC/ST/PWD (Only Intimation charges) : Rs.150/-
For all others : Rs.700/-

The payment can be made by using Debit Cards (RuPay/ Visa/ MasterCard/ Maestro), Credit Cards, Internet banking, IMPS, Cash Cards/ Mobile Wallets

**How to Apply :** Interested Candidates may apply online through the website http://www.indiapost.gov.in from 07.10.2016 to 01.11.2016.

**Important Dates to Remember :**

Starting Date For Submission Of Online Application : 07.10.2016
Last Date For Submission Of Online Application : 01.11.2016
Date of Online Payment of Application Fees : 07.10.2016 to 01.11.2016

**Important Links :**

Detail Advertisement Link : https://www.indiapost.gov.in/Financial/DOP_PDFFiles/20160929_1220%20rs_Detailed%20Advertisement%20for%20Scale%20II%20%20III.pdf

**Apply Online :** http://ibps.sifyitest.com/ippboff3sep16/